# পোলিটিক্সতা খোঙদাবগী মথৌ তারে

- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -

পুখ্রি মপালদা লেপ্তুনা পুখ্রিসে য়াম্না মোৎখ্রেদা হায়দুনা য়েংদুনা লৈবনদি অমোৎপশিং অদু শেংদোকপা ওইথোক্তবনি। অমোৎপশিং অদুবু লৌথোক্কে হায়রবদি কুমথদুনা শেংদোকপা মথৌ তাই। ঐখোয়না কুমথদুনা শেংদোক্ত্রবদি অমোৎপশিং অদু মতোমতা খক পাইখৎলক্লোই।

ঙসি ঐখোয়গী ইরমদম কংলৈপাক খুন্নাইগী পোলিটিক্স অসিসু মদু মঙাই, অসুক্কী মতিক মোৎখ্রে মদুদি পুকচেল শেংবা, মীয়ামগী থৌগল তৌজনীংবা, ইরমদম কংলৈপাক অসিবু থম্মোয় শেংনা নুংশিজবা, তুংগী শাংনা খঙবা, উবা ঙম্বা অমদি লমদম অসিবু মাঙদা পুখৎপা ঙমগদবা মীওই কয়াদি পোলিটিক্সতা খোঙ থাংজিনবা পাম্নদ্রে, করিগী পোলিটিক্সতা খোঙ হেক থাংজিনবদা মীয়াম্না মখোয়দা থাজবা লৈরিবা পূম্নমক মাঙখিগনি খনবনা। অদুগা অতোপ্পা মরম অমনা মখোয়না থম্মোয় শেংনা লৈপাক অসিগী অমদি মীয়ামগী থৌগল তৌজরগে হায়না থোরক্লবসু ভোট লেপ্পদা ভোট কাবগী চাংসি অমফাওবা লৈতবনা। মোৎলে হায়দুনা অফবা মীওইশিংনা পোলিটিক্সতা চংদ্রবদি মতিক ময়াই য়ৌদবা মীওইশিংনা অসুম লুচিংদুনা লৈবা তাবনি। অসুম্না লৈরকপনা ঙসি ইরমদম কংলৈপাক মাঙদা চঙশিনবা ঙমদ্রি। মাঙদা চঙশিনবদি লায়রদনা লৈরিবা থৌদোক ৱাথোক কয়া ৱারোইশিন পুরকপা ঙমদ্রি মপুকচেল শেংনা মথৌ তৌবীদবনা লুচিংবশিং অসিনা।

ঐখোয় খুদিংমক্কা ইরমদমগী পোলিটিক্সতা করম্বা মীওইশিংনা মীরেপ ওইরি হায়না য়েংলুবদা থোইদোক্লা লুনা থোক্তে খন্দোকপদা। মীওই লোইনমক হায়বদি হায়মনবা থোক্লবসু চাম্মগী মনুংদা মরিফু তরানিপালদি অরানবা লম্বীদা শেল তান্দুনা শেঞ্জাও পায়বা, থিকা তৌদুনা লৈবাক্কী শেল মশাগী ফুরিৎখাওদা হাপচিনবা অদুগা থবক্তি নিংথিনা তৌবীদবা কন্ত্রেক্টরশিং, চাহৈদবা অমদি খুন্নাই অসিবু মাঙহন তাকহল্লিবা দ্রগনচিংবা ললোনবা মীওইশিং নৎত্রগা নহারোলদা য়াওরম্লগা সরেন্দর তৌরবা নৎত্রগা নহারোলগা মরী লৈনবগী খুদোংচাবা লৌরগা মীচম মীয়াম্বু কিহনবা ঙম্বা মীওইশিং অমদি মীহাৎ মীপূন্দা নৎত্রগা শেঞ্জা থুমজাদা চেন্নরবা শেলদি য়াম্না পায়বা ব্যুরোক্রেটশিং অসিনচিংবা মীওইশিং অসিনা ঐখোয়গী লুচিংবশিং ওইগনি হায়দুনা মীরেপ ওইরি। মখোয়শিং অসিগী মনুংদগী ভোট অমুক কাবা ঙল্লিবা মীওইশিং অদুদি মীখলদা হেন্না শেল থাদবা ঙম্বা, নহারোল কাঙলূপ অমনা শৌগৎপীবা নৎত্রগা পাল্লি-পাল্লিবা লৈঙাক্তুনা শৌগৎতুনা শেলগী অৱাৎপা লৈতনা শেল থাদদুনা মীচম মীয়াম্বু লৈবা ঙম্বা নৎত্রগা কিহন্দুনা মঙোন্দা ভাট থাদহনবা ঙম্বা মীরেপশিং অদুনি।

লৈবাক অমগী অফবা, মতিক চাবা লুচিংবা হায়বসিদি মীয়ামগী ফীদম্নফম ওইবা মীওইশিং ওইগদবনি। অদুদি নত্তনা মতিক ময়াই য়াওদবা লুচিংবশিং অসিনা লুচিংদুনা করম্না অফবা চাওখৎপা লমদম অমা ওইবা ঙমগদৌরিবনো। মসি ঐখোয়গীতা নত্তে ইন্দিয়া পূম্বগীনি। লাইরিক লাইশু হৈবা, ক্লাসতা মকোক-মথং ওইবা, ৱাখল তাবা, মরমদম্বু নুংশিবা, থম্মোয় শেংবা, মথৌ তৌনীংবা ময়াম অমদি ইঞ্জিনিয়র, ডোক্তর, প্রোফেসর, সিভিল সার্ভেন্ট ওইদুনা লৈরে, পোলিটিক্সতা চঙবগী মহুত্তা। হোয় পোলিটিক্সতা চংবা হায়বসিসু চারা হেন্দুনা তোকপা য়াবগী ফীভম লৈরিবনি। মসি হায় হায়দুনা মখোয়গুম্বা মতিক চাবা মীওইশিং অসিনা থা থাগী তোলোপ চাবা থবক তৌরিঙৈ মথোং মরম খঙদবা, মতিক চাদবা মীওই কয়ানা লৈবাক অসিগী লুচিংবশিং ওইদুনা ইরমদম কংলৈপাক অসি মাঙদা চঙশিনবগী মহুত্তা মকোক ককথৎখ্রবা লিননা মায়কৈ খঙদনা লেংদুনা, চৎতুনা লৈবগুম্লে। ৱাখল তাবা, লাইরিক লাইশু হৈবা মীওইশিং অসিনা মখোয়না পামজবা থবক্তু ফংজদুনা ওফিসতা থবক তৌরি অদুগা মথোং মরম খঙদবা লুচিংবা শাবা কয়ানা মখোয়বু হোইনীংবা মায়কৈদা হোইদুনা চৎলি। মথৌ নিংথিনা তৌনীংবা মীওই কয়াসু লুচিংবশিং অসিগী থৌইনশিন্দগী মখোয়সু শেঞ্জা থুমজদা য়াওমিন্নদুনা চৎমিন্নরি মথৌ নিংথিনা তৌবগী মহুত্তা। মসিননি ইরমদম কংলৈপাক অসিদা পাক্তক্লনা শেঞ্জা থুমজা চত্থরিবা।



ভোট মতমদা ঐখোয়না লুচিংবা খল্লিবসে লমদম অসিদা অফবা পুরক্কনি হায়দুনা মখোয়বু থাজদুনা ভোট থাদরুবদি নৎত্রে তৌবতবু ফত্তবা ময়ামদুগী মনুংদা খরখিতং ফবা য়েংবনি পাম্বে লৈতবনা। মসিসু ৱাখল তাবা ইরমদম কংলৈপাকপু নুংশিজবা মীওই খরগীনি। অতোপ্পা ভোট থাদবা মীয়াম অমদি লুপা ৪০০/৫০০দগীনা লুপা লিশীং অনী/অহুম ফংনহৌনবা থাদবনি। অতোপ্পা খরা অমনা ভোট চেল্লিবনি, শৌগৎলিবনি হায়দুনা থবক লৈতবগী শানৈ য়ুনৈবদা নুংঙাইজদুনা, চেন-চোংজবা। অদুগা কাঙলূপ অমনা মশাগী ঙমজবা শেল ফাওবা পুথোক্তুনা মতেং পাংবা মহাক্কা খরা খঙনজবা, নক্লজবা মীরেপ্তুদা, করিগী মীরেপ অদুনা ভোট কারবা মতুংদা থবক ইনখাং নোম্বদা, থিকা তৌবদা অমদি অতোপ্পা হীরমশিংদা হেন্না মশাদা কান্নবা ফংনবা। মশা মশাগী ওইজবা খন্দুনা ভোট থাদবা ঙাক্তা অয়াম্বনা। ইরমদম অসিগী খন্দুনা অফবা মীরেপ্পু শৌগৎসি হায়দুনা ভোট থাদবদি ১০০গী মনুংদা মীওই তরাবু শুরমগদ্রা হায়বা চিংনৈ। হায়জনীংবদি ঐখোয়গী মীয়ামসু ৱাখল য়াম্না তাদ্রি হায়বনি। অসিগুম্বা ফীভমসিদা লৈবনা অফবা মীরেপতি অমত্তা থোরক্ত্রে, থোরক্লবসু ভোট কারোই, মতম মাঙদুনা অমদি শেল মাঙদুনা তোক্কনি খনবনা। মসি হায় হায়দুনা ঐখোয় মতিক ময়াই চেন্দবা, মরমদমগী খনবা ঙমদবা, তুংগী শান্না, লেপ্পা উবা ঙমদবা, মশা মশাগীতা খন্দুনা চোংথোরকপা মীরেপশিং অসিদা ভোট থাদদুনা, মখোয়বু লুচিংবা ওইনা অসুম খন্দুনা মখোয়না ঐখোয়গী মথক্তা লুচিংদুনা লমদম অসিনা লূপখিবা ঙাইদুনা লৈরসিরা হায়বসিনি। মসিমদি কনানসু পাল্লম্মোই। লোইনমক লমদম অসিবু চাওখৎপা, নুংঙাইবা লমদম অমা ওইহন্নীংলমগনি। অদুবু অৱাবদি, অসিগুম্বা ৱাখল্লোন অসি ভোট ময়া নকশিল্লকপদা, শেল খরা হেক উবদা শ্বাই মাঙখিবা অসিনি।

ইরমদম কংলৈপাক অসিবু অসিগুম্বা ফীভম অসিদগী কলহৌসি হায়রবদি হৌরক্লিবা লাইরিক লাইশু হৈরবা নহারোলশিংনা পোলিটিক্সতা খোঙ থাংজিনবা মথৌ য়াম্না তারে। পোলিটিক্সতা খোঙ থাংজিনবমক নৎত্রবসু খঙদ-য়াদ্রবা পোলিটিক্সকী হীরম খরা খঙদুনা অফবা, অশেংবা লুচিংবশিং খনবদা অচৌবা শরুক য়াফম থোকই। নহারোল খুদিংমক পোলিটিক্সতা খোঙ থাংজিন্দুনা ভোট লেপ্পা অমদি লোইনা কাবা হায়বদুমদি য়ারোই অদুবু নহারোল খুদিংমক ভোট থাদদুনা অফবা লুচিংবা খনবদি য়াইনা। মীরেপ ওইনা চোংথোরক্কেরা, মীরেপ্পু খনবদা য়াওগেরা পোলিটিক্স খরা খঙদুনা পোলিটিক্সতা খোঙ থাংজিনবদি মথৌ য়াম্না তারে।




ইরমদম কংলৈপাক অসিবু চাওখৎহনসি, মাঙদা পুখৎসি, নুংঙাইবা খুন্নাই অমা পুরকসি হায়রগদি ভোট থাদগদৌরিবা মীচম মীয়াম ঐখোয় ৱাখল তাবা মথৌ তাই, হায়বদি শেলনা অমদি মসল পৱারনা পুদুনা চত্তবা। হীরম অনীমক অসি অরাইবদি নত্তে অদুবু শেমদোকপদি য়ামগনি। শেলনা হুমদুনা পুখিবা ঙম্বা ভোটরশিং অসি অয়াম্বনা লাইরিক লাইশু কয়া হৈহৌদ্রবা অহল-লমন অমদি নহারোলশিংনি। মখোয়না শেলদা মীহৌরুবগী মরমসু লৈ। অহল অমা ওইরকপগী শেন্দাল লম্বীদা ৱারকপনা লুপা ৪০০/৫০০ পুঙ্খায় অমা করি অমা লেপ্পগা ফংবা হায়বসি মমল য়াম্না লূম্না লৌই। অদুগা, লাইরিক লাইশু হৈহৌদ্রবা নহারোলশিংসু শেল লুপা ৪০০/৫০০ তানবা হায়বসি অরাইবা নত্তবনিনা মখোয়সু অহলশিং অসিনা খল্লিবা অসিগুম হেরা অফবা অমসু য়াওদবা অসিদবু কানীংবা অমনা হেক্তা কাজসনু হায়না শেল লৌদুনা থাদৈ। হায়রিবা অহলশিং অমদি নহারোলশিং অসিগী ৱাখল্লোন থেনবনা শেলনা হুমদুনা ইরায় লায়না পুখিবা ঙমগনি। দেমোক্রেসিদদি ভোটকী ভেল্যু লাইরিক হৈবসু হৈতবসু চপ মান্নবনিনা মশীং য়াম্বনা অদুম কাখিবা তাবনি।

মরম অসিননি ঐহাক্লা লাইরিক লাইশু হৈরবা ঙসিগী নহারোলনা পোলিটিক্স খঙবা অমদি পোলিটিক্সতা খোঙ থাংজিনবা মথৌ য়াম্না তারে হায়জখিবদো। অহানবদা নহারোলশিং অসিগী মথৌদি হায়রিবা লাইরিক লাইশু কয়া হৈহৌদ্রবা অহলশিং অমদি নহারোলশিংবু ৱাখল তাহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌগদবনি। খুদম ওইনা হায়রবদা করিগুম্বা পোলিটিকেল পার্টি অমনা লমদম অসিদা অমাঙ অতা পুরক্কদবা, মীয়াম্বু লাইনীং-লাইশোলনা মরম ওইদুনা তোখায়-তোখায় পুরক্কদবা অদুগুম্বা পার্টিদি লমদম অসিগী ওইনদি ফরোই হায়বনচিংবা শুগাইনা তাকপী তন্বীবা। অদুগা মীরেপ্তা ওইরগনা করম্বা মীওইনা হেন্না পুকচেল শেংনা অফবা তৌরক্কনি হায়বনচিংবা ৱাখল তাহনবা। লোয়ননা য়াম্না মরু ওইনা মখোয়দা ৱাখল তাহনগদবদি মখোয়দগী লৌরুবা লুপা ৪০০/৫০০ অসিনা মরম ওইদুনা হয়েং মখোয়না ভোট কাদুনা লুচিংবা ওইরকপা মতমদা লুপা ৪০০/৫০০দুনা লুপা লিশীং নিফু/য়াংখৈগী চাংদা শেঞ্জা থুমজা তৌদুনা খোমগৎলক্কদৌরিবনি। অদুনা শেল লৌদনা ভোট থাদসি হায়দুনা ৱাখল তাহনবা। খুদম খরা পীজবগী ৱানি অতৈ হীরম ময়াম অমা লৈখ্রে শন্দোক্লা তাকপা য়াবা। মসি লাইরিক লাইশু হৈরবা নহারোলশিংনা লৌগদবা থৌদাংনি।

মথংদা মসল পৱার শীজিন্নদুনা করম্না অশেংবা খনগদগে হায়বসিনি। মসিসু য়াম্না শাথিবা লায়না অমা ওইরিবনি মরু ওইনা অরাপ্পা চীংগী লমদমশিংদদি। অসিগুম্বা মফমশিং অসিদদি অচৌবা মশীং য়াম্বা আর্মি অমদি পুলিস ফোর্স থাজিনবা মথৌ তাগনি। মখোয় নত্তনা কনা অমত্তনা য়েংশিল্লুবা ঙল্লোই। হায়নবা লৈদাইনে চীংগী মফম কয়াদি মপুন্সিগী মশামক্লা ভোট থাদবা ফংলক্ত্রিবা মীওই কয়া অমা লৈ হায়বদো মশাগী চহী ৬০/৭০ শুরবসু। মসিনি মসল পৱার শীজিন্নবগী মহয়। মসল পৱার শীজিন্নবসিসু অয়াম্বনা নহারোল কাঙলূপ কাঙলূপনা শৌগৎপা মীরেপ অদুগী ওইনা তৌই। অসিগুম্বা ফীভম অসিদদি অচৌবা আর্মি অমদি পুলিস ফোর্স মথৌ তাই।

ইরমদম কংলৈপাক অসিবু কনসি হায়রবদি ইনৌ নৌবা নহারোলশিং শেমগৎপা মথৌ তাই। হৌজিক হৌজিক ওইরিবা লুচিংবশিং অসিনা ইরমদম কনবা ওইথোক্লোই। হৌজিক হৌজিক্কী লুচিংবশিং অসিদি শেঞ্জা থুমজা তৌবগী, মশা মশাগীতা খনবগী হৈনবী, মীচম মীয়ামগা লোয়ননা চৎতুনা মখোয়বু করম্না মতেং পাংসিগে অমদি নুংঙাইহনসিগে হায়না খনবগী মহুত্তা নাপল কাদুনা, অচাওরম কাবগী হৈনবী, ৱাখল্লোন অসিনা মখোয়গী ঈ তোংদা চুদুনা লৈখ্রবনিনা মখোয়দি শেমদোক-চুমথোকপা য়াররোই। মরম অসিনা হৌজিক হৌজিক পাল্লিবা লুচিংবশিং অসিনা লমদম অসিবু কনগনি, শেম্বীগনি, চাওখৎহনগনি হায়না খন্দুনা লৈরবদি ঐখোয়গী ঈনাৎ, হৌন-লোনচৎ, থৌগল্লোন, লাইনীং লাইশোন, ফিজেৎ চাকচা, ইরোল পূম্নমক মুৎখ্রগনি, তিনখ্রগনি হৌজিক পাল্লিবা সেন্টর লৈঙাক্কী ৱান নেসন, ৱান রিলিজন অমদি ৱান লেংগ্বেজ হায়বা পোলিসি অসিদা মায় ওনশিনখিদুনা। ৱাদবা ঙমদে ইরমদম কংলৈপাক্কী ইচেলনা কদোমদা চেন্থরিবা, অচৌ অচৌবা ইরৈ কয়ানা য়োৎকদবগী ঙাইদুনা লৈরিঙৈসিদা।

ইরমদম কনসি হায়রবদি হৌজিক হৌরক্লিবা মহৈরোয়শিং, নহারোলশিং অসিদা ইরমদম কংলৈপাকপু, ইশাগী ইনাৎপু, ইরোলবু, লাইনীং লাইশোলবু, চৎনবী, থৌগল্লোন, হৌনা লোনচৎ অমদি লমদম অসিগী লমিৎ-তুমিৎপু নুংশিবা, ইকায় খুম্নবা তন্বীবা মথৌ তাই লোয়ননা মহৈ-মশীন তম্বতা নত্তনা লাইশুসু তন্বীবা মথৌ তাই। মহৈ-মশিন, লাইরিক লাইশু তন্বীবগুম হায়রিবা হীরমশিং অসিবুসু য়াম্না নিংথিনা অঙাং ওইরিঙৈদগী, নহা ওইরিঙৈদগী তন্বীহৌবা মথৌ য়াম্না তারে। অসুম্না অসিগুম্বা ৱাখল্লোনগা লোয়ননা হৌরকপা অঙাংশিং, নহারোলশিং অসিনা তুংগী মপি-মপা অমা ওইরকপদা শোয়দনা অচুম্বা অফবা, থম্মোয় শেংবা লুচিংবা হায়বদো ওইরক্কি। হায়রিবা মতিক-ময়াইশিং অসিবু তমহৌদবনা, চহী কয়াদগী মপি-মপা ওইনা লৈঙাকখিবা অমদি হৌজিক লৈরিবা লুচিংবশিং অসিনা মশাগী হৌরকফম্বু লূম্না লৌদবা, মশানা মশাবু, মশাগী মনাৎপু, মরোলবু, মশাগী লাইনীং লাইশোলবু ইকায় খুম্নবা উৎপা ঙমজদবা অমদি চাওথোকপা ঙমজদবা মীওইশিং অসিনা লুচিংদুনা লৈরকপদগী ঙসি ইরমদম কংলৈপাক অসি মুৎলি-মুৎলি মুৎকদবগী ঙাইদুনা লৈরবনি।

অসিগুম্বা কিনীংঙাই ওইরবা ফীভম অসিদগী ইরমদম কংলৈপাক অসিবু কলহৌসি, তুংগী চারোল শুরোলগী খন্দুনা হায়বদি মমা-মপা অহল লমন ওইরিবা ঐখোয়না ইচাশিং অসি স্কুলদা, মহৈশঙশিংদা মহৈ মশিন তম্লি হায়দুনা পুমথা থাদোক্তুনা পেম্বোক্লা লৈথোকপগী মতম নৎত্রে। ঐহাক্লা মথক্তা পঞ্জরিবা মতিক ময়াইশিং অসিবু ইয়ুম ইয়ুমদা তন্বীহৌবা য়াম্না মথৌ তারে। হায়রিবা মতিক ময়াইশিং অসিবু তন্বীহৌদ্রবদি মখোয়সু হৌজিক লৈরিবা লুচিংবশিং অসিদগী খেন্নবা করিসু লৈরোই, হেন্নদুম ফত্তবা মীয়াম অমদি লুচিংবশিং ওইরকপা য়াই। ইরমদম কংলৈপাক কলহৌবা মমা মপা ওইরিবা ঐখোয়গী খুৎতসু য়াম্না চাউনা লৈরে। য়াইফমিন্নরসি। ৱাজরবী ইরমদম কংলৈপাকপু কলহৌনবা হোৎনমীন্নবনা য়াইফরে। ●

# ইরাবত অমদি নাগাগী ইস্যু

- ময়াংলম্বম থম্বৌ -

মীওইবগী পুন্সি অমুক পোক্কনি নৎত্রগা পোক্লোই কনানা হায়বা ঙমগনি। হৌখিবা থৌদোক ৱাথোক কয়াসি ঙসিগী অমদি তুংগী ফিদমনি। ঐখোয়না পুন্সি অসিবু য়াম্না শাংবা খোঙচৎ ওইনা উই। অদুবু মীওইবগী পুন্সি শাংবা নৎতে, পুন্সি মশক খঙবা, পুন্সিবু মমল লৈনা লৌবা মীগী মফমদদি তৌগদবা মথৌনা ৱাৎহৌবা, মতমনা হৌজিনখিদুনা পুন্সি লোইখিবা ঙাক্তনি। মসি মহাপুরুসশিংদা মখোয়গী পুন্সি নৈনরুবদা তৎতনা থেংনৈ। অদুনা ঐখোয়না পুন্সিগী মরমদা নৈনবা তারবদি ঐখোয় খোঙফম অমা ফাওবা লেম্না অমদি মফম মতম য়েংদনা থাংবা য়াদে। লমদমসিগী অপূনবা শক্তম, মীখা পোন্দবা, পুং ২৪গী মনুংদা মীৎকুপ অমগী মতমদা ওইরবসু তোল্ল-তারবশিংগী অমদি ইমা লৈবাক্কী মরমদা খন্থবা মীওই অমা ওইদুনা পুন্সিগী মমল খঙবা অসি শক্লাইরবা মীওইশিংগী মরক্তা লেংদনা লৈ। অদুগুম্বা মীওই কয়াগী মরক্তা লময়ানবা হিজম ইরাবতসু তাঙলবা কংলৈপাক্কী মপারি ওইনা কুমজা ১৮৯৬কী সেপ্তেম্বর ৩০দা তাইবঙ ফাওরকখি। পিক্লিঙৈ মশাগী চহী ৮ খক্তা ঙাইরিঙৈদা কুমজা ১৯০৪গী নুপীলান মরক্তা থিবা খঙদনা লৈরমখি। অসুম্না ইরাবতকী পুন্সিগী অরোইবা মতম ফাওবদা তাঙ্কক কয়া, হীরম কয়া মহাক্লা মায়পুনরম্বা অসিনি। মণিপুরগী পাউচেগী কান্নবা, কলাগী, লীলা-দ্রামাগী, শান্নবগী, পোলিটিক্সকী, মশামক পালা ফাওবা শক্তুনা অশিবা পুথোকখিবগী ৱারী শিংবুল ঐখোয়না থেংনৈ। ময়ামসিগী মথক্তা খ্বাইদগী মরু ওইরিবা অমা হায়বা তারবদি কুমজা ১০৭৪দা পানখিবা নিংথৌ লোয়ুম্বনা চীং অমসুং তমগী অপূনবা কন্সটিট্যুসন শেল্লম্বা, চীং-তমগী অপূনবা লৈবাক ঙাকলোন থন্বীরম্বা, মদুবু মহাক্লা অমুক্কা কায়হন্দনবা হোৎনরম্বা অসিসু লায়না লৌবা য়ারোই। প্রোফেসর কুপলেণ্ডগী প্লান মতুংইন্না অসামগী চীংগী লম কয়া সিমান্তগী নীংখা তম্বা লৈবাক শেম্নবা থৌরাং তৌরকখি। কুমজা ১৯৪৭কী নবেম্বর ৪দা মি: ফিজোনা লমজিংদুনা কোহিমাগী নাগা পরিষদনা থা অমগী মনুংদা নাগা তাবা ফুরুপ খুদিং মখোয়না ৱায়েনজবা অমদি চহী তরাগী মতুংদা মখোয়গী মরাইবক লেপ্পা য়াদ্রগা নীংতম্বা হায়বা ৱারোল অদুগী মথক্তা দিসেম্বর ৬, ১৯৪৭কী মতুংদা ইন্দিয়াদগী তোপ্পা লৈরগনি হায়না অইবা চে ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টতা পীরিম্মী। অসুম্না নাগা পরিষদনা মণিপুরগী ঙমখৈদা লৈবা মাও, তাঙ্খুল, তুয়েন্সাং, ৱাকশিংগী লমশিংগী অপূনবা নাগাগী লম ওইনবা মহারাজদসু চে পীখিরম্মী।

মতাং অসিদা মিষ্টর এ ডাইহোগী লমজিংদা মাও মরামগী শরুক মখৈ নাগালেন্দদা তিল্লনি হয়না অকনবা খোঙজং চঙলকখি। মসিমক অরাইবা নত্তে। মসিদা ইন্দিয়াদগী তোপ্পা লৈখিবা তারবদি বৃটিশ অমদি অমেরিকাগী লৈঙাক্কী তুংফম ওইখিবনি। অমনা নাগা হিলসকী ফীভম অসি গারো, লুসাই চীংশিং মথং মথং শন্দোরক্কনি, অসিগুম্বা তাঞ্জা অসিদা তূম্বা, চাবা থিদনা হীরম অসিদা চীং-তম য়ুনিটিগী লম্বী অমদি য়ুনাইটেদ ফ্রন্টকী চংশিল্লম্বা, কবো ভেল্লিগী ৱাফম, ইরাবতনা অনৌবা চক্তা খূৎনা ইরগা ফোঙলম্মী।


অমুক্কা ফিজো উননবা মণিপুরগী চীং-তমগী অপূনবা কাঙবু অমা কোহিমাদা চৎতুনা ফিজো উনদুনা অৱাং নোংপোক্কী পোলিটিক্সকী হীরমদা খন্ন-নৈনখি। অসুম্না মণিপুর কায়বা য়াবা তাঞ্জা লাক্লবদা কুমজা ১৯৪৭কী নবেম্বর ৩০দা এম দি য়ু হোলদা মণিপুর প্রজা সঙ্ঘ চীং-তম, দলশিংগী অপূনবা প্রতিনিধি সভা শিন্দুনা মীফম পাঙথোক্তুনা চীংগী পার্টি মঙা, তমগী পার্টি মঙা পূন্না পার্টি তরা তিনখি। মদুদা পার্টি অমমমগী মীহুৎ অমমম লৌরগা ফ্রন্ট অমা শেমখি। ফ্রন্ট অদুদি ১) এম কে শিমরে (তাঙ্খুল লোং) ২) লুনে (কুকি নেসনল এসেমব্লি) ৩) মি: কখগাই (কবুই এসোসিএসন) ৪) মি: তেবা মরিং (খুলমি য়ুনিয়ন) ৫) মি: ডেনা (মিজো য়ুনিয়ন) ৬) শ্রী লম্ফেল (মীতৈ মরুপ) ৭) ইবোমচা মণিপুর (কৃষন সভা) ৮) শ্রী ইবুংঙোহল (নোংপোক অপূনবা মরুপ) ৯) ইরাবত (মণিপুর প্রজা সঙ্ঘ) অমদি ১০) সুলৈ মিঞা (য়াইরিপোক) নি। মখোয় অসিনা মাঙদা তারিবা কোহিমাগী ৱাফম খন্নরবা মতুংদা মি: ফিজো অমদি নাগা নেসনল কাউন্সিলগী নেটাশিংগা উনদুনা লৈবাক্কী শান্তিগী ৱারী শানবা চৎপা য়ানখি। মদুদা শ্রী ইরাবত অমদি মি: লুনে অনীনা লুচিংদুনা মি: এম কে শিমরে, মি: কাখংগাই, মি: তেবা, মি: দেনা য়াওনা কোহিমাদা চৎতুনা অহিং লেক্তুনা শান্তিগী ৱারী শানদুনা ৱারোইশিন পুরকখি। অসুম্না নাগা নেসনল কাউন্সিলগী অলটিমেট অদু কুমজা ১৯৪৭কী দিসেম্বর ৬তা হন্দোকখিরম্মী। অদুগা মি: দাইহোক্কসু উনদুনা ৱারী কয়া শানরমখি।

মতাং অসিদা লৈরিবা ৱাফমদি নাগাগী ইস্যু অসি কুমজা ১৯৪৭তগী হৌনা প্রোফেসর কুপলেন্দনা থাক্লম্বা লাং ওইনা লৈরকখ্রবনি অদুবু নেতা ইরাবতনা অরুবা ইস্যু অসি কন্না হোৎনদুনা লোইশিন্দুনা থমখিবনি। অদুগুম্বা অদু ইরাবতকী মতুংদা অমুক তপ্না তপ্না হৌরক্তুনা ঙসিগী ইস্যু অসি লাকখিবনি। মসিদা মতম মতমগী লুচিংবা কয়ানা ৱারী শানদুনা ইরাবতকুম্না হোৎনবীবগী মহুৎ সেন্টরগী খূৎ য়াওনা নাগাগী ইস্যু অসি মরা তাহনখিবনি। মসিদা সেন্টরগী ৱাফম ময়েক শেংবা য়াম্না ৱাৎলি হায়বসি ককপা য়ারোই। মরমদি কুমজা ২০১৫গী ওগষ্ট ৩গী ফ্রেমৱর্ক এগ্রীমেন্ট খূৎয়েক পীনখিবদু মদুবু থবক ওইনা নাগাগী ফেবরদা ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনগনি হায়বা নাগালেন্দগী গভর্ণরগী কুমজা ২০১৭কী মে ২০দা পীখিবা ৱারোল পাউচেদা ফোঙনা ফোঙদোকখ্রে। মসি মণিপুরগী মীয়াম অমদি লুচিংবশিংনা লায়না লৌবা চুমলোই। মসিদা মীওই খুদিংনা প্রজা সেক্সন কয়াদগী হংনরক্লিবা ৱাফমদি নাগাগী ইস্যু, আই এল পিগী ইস্যু অনীমক অসি মণিপুরনা ইন্দিয়াগী ফিবান্নুংদা তিল্লুবগী ফল্লা? মরমদি মণিপুরগী মশাগী কন্সটিট্যুসন মাঙখিবা অসিসু ইন্দিয়াদা তিনবদগী মাঙখিবনি অদুগা আই এল পি লৌথোকখিবসু ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুং কুমজা ১৯৫০গী নবেম্বর ১৮দা লৌথোকখিবনি। অতোপ্পা অমনা মনি চরানামৈনা আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম পি ওইবদা পার্লিয়ামেন্টকী মীফমদা আই এম নোট এ মণিপুরী বট আই এম এ নাগা হায়বদা মতমদুদা সেন্টরসু, মণিপুরী লৈঙাকসু তুমিন্না তাদুনা লৈখি। অদুবু মহাক মণিপুরগী নাগা ওইগে খনবা মীওইখক্তুনা খনখিবা মীহুৎ নত্তে। তম্পাক্কী এ সী নিপানগী য়াল্লবা মীয়ামগী অচৌবা খুদোল য়াওখিবনি। মসি কুমজা ২০১৮গী ওগষ্ট ১৭কী ইস্পেক্ট টি ভিগী মনুং হুৎনা নৈনবদা অখঙ অহৈ অমনা ময়েক শেংনা ফোঙদোকখ্রে। মসিগী মথক্তা এম পি এফকী সেক্রেটরি ওইবা অমনসু মণিপুরগী এসেমব্লিদা এম এল এ মরি য়াওনা য়াওনা ঐখোয় মণিপুরগী মনুংদা লৈতে হায়বা ৱাফমসু মণিপুর মীয়াম খঙনা ফোঙদোকখ্রে। মসি মণিপুর মীয়াম পূম্বনা লোইনা খঙনখ্রবনি।

ইন্দিয়াদা নিংথৌ পানবা লৈবাক ৫৬৩ ইন্দিয়াদা তিলহনখিবা অদুগী মর্জর এগ্রীমেন্টশিং অদু কুমজা ১৯৯৩গী ফেব্রুৱারী ২দা ককথৎখ্রে হায়বা ৱাফম এদভোকেট অমনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম পাউচেদা থেংনখ্রে, মদুদি ঐখোয় হীরম খরদা ইন্দিয়াদগী তোঙান্না ইশা কঞ্জনবা চৎনরোল খরা শেমজবা য়াই। ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসন্না ঐখোয়বু পুন্দুনা থম্বনা ঐখোয়গী ইশা কঞ্জনবা থবক অমত্তা পায়খৎপা ঙমদনা লৈরিবা অসি চুমদবনি। মসিগী মতাংদা ঐখোয়গী মান্নবা ৱাখল পরিং অমদি ইশা ঙাকথোকচনবা চৎনরোল অসি লৈঙাক্লা শেমফম থোকই হায়বা ৱাফম অসিনি। অদু নৎত্রবদি সেন্টরগী ইথিল কয়ানা নাগা ইস্যুগী ওইবদা হেক হেক খূৎকাপ তেনকাপ কয়া কাপশিনবা অসি তৎতনা থোক্কনি। অমনা কুমজা ২০১৭ সেপ্টেম্বর ২১দা ইস্পেক্ট টি ভিগী মনুং হুৎনা নৈনবগী থৌরমদা খঙ-হৈরবা মীওই অহুম্না চীংগী নাগাগী লমশিংদা কোংগ্রেসকা মীফম পাঙথোকপদা অথিংবা থল্লকপগী ৱাফমগী মতাংদা নৈনখ্রে। মদুদা মীওই অমনা সেন্টরগী লুচিংবা অমত্তনা মণিপুর কায়হনবা পাল্লোই হায়বা অদু চুম্মী। লুচিংবা অমনা করম্না মণিপুর কায়হননীংগনি অদুবু মণিপুরগী চীংমীশিংবু নাগাদা পুনশিনবগী ৱাফম লাক্লবদি মদু মণিপুর কায়বা নৎতব্রা? নাগালেন্দগী নাগাশিংগী অপাম্বদি মণিপুরগী চীংদা খুন্দারিবা চীংমীশিং অসি পুনশিনবা নত্তে, চীংমীশিং অসিনা তারিবা লম য়াওনা নাগা ওনবা অসিনি, মসিদনি অকায়বা লাক্লিবা। হৌখিবা কুমজা ২০০১গী জুন ১৮গী থৌদোক্কী বেঙ্কোক দিক্লারেসন অদুসু ৱিদাউট টেরিটোরিয়েল লিমিট হায়বা ৱাফমদগী হৌরকপা ঈহৌনি। মদুদি করম্না মদু য়াওহল্লিবা, মণিপুর কায়হনবা পামদ্রগবু অদুগুম্বা অদু য়াওহনবা য়াব্রা?

পূম্নমক অসি য়েংলুরগা সেন্টরনা মণিপুরগী মীয়ামগী ইহুল খঙনা আই এল পিসু কন্সটিট্যুসন শেমদোকপা খঙদে নৎত্রগা মণিপুরগী ওইবা মশা কঞ্জবা ঙম্বা কন্সটিট্যুসন শেম্বদা মদুগী অয়েৎপা লৈতবা অদুগুম্বা অমা থম্বীদ্রবদি ইন্দিয়াগী ফিবান্নুংদগী হন্দোকচগে হায়বা অসিদি মশানা তাবনি খঙবীবা ফৈ। হীরম অসিদা পূক্লিং থিংজিন্দুনা অথুবদা ৱারেপ অমা লৌবনা তুং কোয়না শান্তি লৈগনি । অদু নৎত্রবদি ইস্যু অনী অসি লায়না লোইশিনবা য়ারোই। পূম্নমক অসিদা নাগালেন্দগী নাগাশিংগী অপাম্বা অসি মণিপুরদা লৈরিবা চীংমী পূম্নমক্কী অপাম্বনি হায়বা য়ারোই। পামদবা মীয়াম কয়া অমা লৈরিবনি। মীওই খরগী থ্রেটতা চৎপনি হায়বসি অরানবা নত্তে। পূম্নমক অসি য়েংলুরগা অপূনবা মণিপুর অমগী খল্লগা পোলিটিকেল পার্টিগী খেন্নবা থিদনা অনৌবা অহোংবা ইশা কঞ্জনবা অমা শেম্লবদি ইরাবতকী থৱায় মীরেন্না ঙমখৈ লৈতনা পেনগনি অমসুং ইরাবতকুম্বা লুচিংবা মমা লৈবাক্কী খনবা মীওই লমদমসিদা থোরক্লরোইদ্রা হায়বা ঙসিগী মণিপুর মীয়াম্না নৈনবা মতম ওইদ্রিবরা? ●

হুয়েন লানপাও/TRAIN YOUR CHILD BRAIN
MID BRAIN ACTIVATION COURSES
(A Life time gift to your child)
Develop your Child's 6th Sense, Nobody Become A Genius by Luck. We Create Leader for the future Make your Kids the Most 'Unique'.



জপানগী Technology অমগী মতেংনা পাঙথোকপা Mid Brain Activation Workshop/Training অসিনা অদোমগী অঙাংবু ৱাখল লৌশিং থৌহনবা, অফবা লমচৎ শাজৎকা লোয়ননা লাইরিক লাইশুদা মীথোই মীহেনবা, পুন্সিদা অচৌবা মায় পাকপা অমা শোয়দনা ওইহনবা ঙমগনি। ঙসি ফাওবদা মীথোই মীহেনবা অঙাং মশীং থিঙমদনা পুথোকখ্রবা, Sunday খুদিংগী লেপ্তুনা পাঙথোক্লিবা কোর্স অসিদা অদোমগী অঙাংসু য়াওহনবীনবগীদমক Book তৌবিহৌরো। অকক্লবা সিট মশীংনি। অকুপ্পা মরোলগীদমক কোল তৌবীরকউ।

100% Guarranty

Please contact:
Narajit Moirangthem, Midbrain Master
Genius Mind Tech. Imphal
☎ 8787562714 / 9862287481
Website :- www.gmtmanipur.in
Facebook : gmt imphal.
HL-P/4331/26,28